থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পোলিটিক্স'কা প্রোষ্টিট্যুসনগা করি খেন্নে ?

এসেমব্লি সীট ৬০ খক লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা 'ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস'না সীট ২৮ ফংদুনা মেজোরিটি মার্ক (৩১) য়ৌগদবা সুপ্ন গী মেম্বর মশিং অহুমখক ৱাৎখি। বি জে পিনা সীট ২১ খক ফংদুনা অনীশুবা মফম কলহৌখি। মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেম্বগী ক্লেম তৌনবা মশিং ১০ ৱাৎখি। এন পি পিগী ৪, এন পি এফকী ৪, এল জে পি অমসুং ত্রিনমুলগী অমমম, ইন্দিপেন্দেন্ট ১ - মখোয় লোইনমক, এম এল এ ২১ লৈবা বি জে পিদা শৌগত্তুনা দরকার ওইবা সীট মশিংদগী অমা হেন্না লৈরকপগী মথক্তা কোংগ্রেসতগী কারকপা অন্দ্রো এসেমব্লিগী মীহুৎ শ্যামকুমারসু বি জে পিগী কেম্পতা চোংশিল্লক্তুনা, মশিং য়াম্বা কাঙবুনা শৌগৎলে, ঐখোয়বু গভর্নমেন্ট শেমহনবিরো হায়দুনা, বি জে পি লেজিসলেটিভ ৰিগী লুচিংবা খল্লবা নোংথোম্বম বিরেননা ক্লেম তৌখি। খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কারকপা পার্টিদা লৈঙাক শেম্নবা গভর্নরনা বার্তন তৌবগী চৎনবীদু থুগায়দুনা, সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসতা পাউ পীদনা, বি জে পিবু লৈঙাক শেমহনখি। সী এল পিগী লুচিংবা ইবোবীনদি খল্লমগনি -গভর্নমেন্ট শেম্নবা শোয়দনা মঙোন্দা চেবাউ পীরক্কনি, এম এল এ অহুমখক ফাববু কয়াম লুবা থবক্লো, কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অমুক হল্লক্কনি। অদুবু, খঙহৌদনা লুশিল্লকপদগী ইবোবী অমসুং কাঙবুনা হান্না মীরাইরুরবা লুচিংবা খরদা চাওনা মনতিক্লদুনা মীচং খোম্বগী থবক তৌরকপগী পাউ তাখি। মখাদি পুন্নমক্কা খঙনরে - কোংগ্রেসকী অপুনবা লীংজেল থুগায়বা ঙম্বা অথৌবা সী এম বিরেন্নি।

মণিপুরগী এক্সপরিয়েন্স'তু অতোপ্পা ষ্টেট'তা পানশিন্নবা হোৎনরুবদা ইকাইবা নংবসু লৈখরে। মশানা তোংদুনা চৎলিবা খোঙউপ'তদু য়োৎপী য়ুরকপগী চৈনাদু ভারতিয়া জনতা পার্টিসু ফাওরল্লনি হৌজিক্তি। মশানা লৈঙাক শক্তি পায়রগা থেংনখিবা মহারাস্ত্র ষ্টেটকী ইলেক্সন, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট শেম্বদসু খ্বাইদগী চাউবা পার্টনর ওইরিবা, হিন্দু নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোনদা লীংখিবা, ইন্দিয়াগী অহানবা পোলিটিকেল পার্টি 'সিব সেনা'গা লৈনরকপা কুইরবা মরী অদুসু থদৎনবগী মরম অমা ওইরক্লে। মণিপুর গভর্নমেন্ট ফোর্মেসনগী ৱারীনা অতোপ্পদা চাংদম ওইবগুম, হৌজিক লৈখায় তানদ্রিবা মহারাস্ত্রা গভর্নমেন্ট ফোর্মেসনগী ৱারীসু মোর্দন-ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়ওন অমা উৎলক্কদৌরিবা থৌদৌনি। ৱারীসি অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুসি।

ওক্তোবর ২১, ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা মহারাস্ত্রা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদুদা অতৈ পার্টি পুন্নমক্তগী খ্বাইদগী আশা চাউখিবা, গভর্নমেন্ট শেম্বগী লীক্লমফাওবা য়াৎথোকখিবা পার্টিদি বি জে পি অমদি সিব সেনা অনীগী অপুনবা বোদি অদুনি। সীট ২৮৮ লৈবা এসেমব্লিদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্নবা, তঙাইফদবা এম এল এ মশিংসি, ২৮৮গী তংখায়দগী অমা হেনবা ১৪৫ নি। বি জে পিগী হায় কম্মান্দনা ইলেকসন মমাংদা মশানা মশাগী মপাঙ্গলদা থাজবা খরা ৱাৎচখিবা মাল্লি, সিব সেনানা অমা নৎত্রগা অনী হেন্না কাবা, বি জে পিনা হেল্লসু অমা অনীদগী হেন্দবা ফিভম অমদা মান্ননা লৈগনি হায়বসি নাকল অনীমক্কা থাজখিবা মাল্লি। অদুননি 'ইক্বেল পাৱর সেয়রিং' (শক্তি মান্ননা য়েন্নবা) অমদি 'টর্ম তংখায় চীফ মিনিষ্টর ওইনবা' হায়বা ৱারোলসিদা, অইবা ৱারোল ওইনা পায়নদ্রসু, নাকল অনীনা 'ইনপ্রিন্সিপন' য়ানখিবা। কোংগ্রেস অমদি এন সী পি অনীদি গভর্নমেন্ট ফোর্মেসনগী এক্সরসাইজদা য়াওরোইদবা, ওপোজিসনদা ফল্লনি খন্না মীখল মায়োক্লজখিবনি।

মীখলগী ফল লাউথোরকপদা বি জে পিনা ১০৫ ফংলগা, সিব সেনানা ৫৬ খক ফংলকপদুদা বি জে পি - মশাগী ৱাশক কাউথোরকখি। তম্বা ঙমদবা, খুদোংথিবা তানফমদা মরূপ ওইনা চৎমিন্নখিবা, ১০৫গা ৫৬ কা মান্নবা চাকথুং করম্বা য়েন্নফম থোকপগে - মরৈ অমা হৌরকখি। বাল থাক্করেনা মঙজখিবা মঙ 'মাগী ইমুংগী মী অমনা চীফ মিনিষ্টর নোংমদি শোয়দনা ওইগদবনি' হায়বদু মচা ইবুংঙো উধব থাক্করেনা বালা সাহেব থাক্করেগী মসু নুপা অদিত্য থাক্করেবু মহারাস্ত্রগী সী এম ওইহন্নবা থৌরাং অমা য়াৎলকই - ইলেক্সন মমাংদা য়ানখিবা ৱাফমদুদি হোংদোক হোংজিন তৌরোইদবনি, সিবা সেনাগী অদিত্য 'সী এম ওইনা হান্না ৱাশক লৌগদবনি'। বি জে পিনা হায়রিবনা 'ইক্বেল পাৱর সেয়রিং তৌরবসু, মশিংনা পর্মিৎ তৌদ্রবনা সী এমগী পোষ্ট অসিদি বি জে পিগী ওইগদবনি।

তেশিন্নবা য়ারক্তুবদা, বি জে পি - সিব সেনা অনী কায়নবা তারকখি। গভর্নমেন্টনা অনীশুবা ওপসন শীজিন্নরকই সেকেন্দ লার্জেষ্ট পার্টিবু লৈঙাক শেম্নবা বার্তন তৌবা। এন সী পিগা লৈঙাক শেম্মিন্নরগা কোংগ্রেসনা মপান্দগী শৌগৎপা - ওইথোক্কদৌ' তৌরম্মী। 'ওইথোক্লরোইদবা থৌওং অমা কোংগ্রেস পার্টিনা ওইথোকহল্লে' ... হেদলাইন ন্যুজ ওইনা সোসল মেদিয়াদা থাগৎনরল্লে। ৱাখল্লোন তিন্নদ্রবসু কোংগ্রেস হায়বসি ঐখোয়গী য়েক্লবদি নত্তেদনা ... সিব সেনাগী লুচিংবনা হায়রল্লবনি।

অদুবু, য়েংবীয়ু - নুংথিল পুং ৫ দা আশা অমা পীরল্লগা, পুং ৮ তারকপদা হায়রকই ঐখোয় শৌগৎপগী ৱারোল পীবা ঙল্লরোই। পোলিটিক্স ইজ জষ্ট লাইক প্রোষ্টিট্যুসন- কয়াদা চুম্না হায়রমখ্রবা! মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাক পায়বা ঙমদবা - অসিগুম্বা সিচুয়েসন অসিনা লুশিল্লক্ত্রিঙৈ - সিষ্টেম অসি শেমদোকহৌসি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা য়েরুম চাবা ফবরা?

য়েরূম হায়বসি কার্বোহাইড্রেটকী চাং নেম্বগা লোয়ননা গ্লাইসেমিক ইন্দেক্স স্কোরসু নেম্মী। মরম অসিনা য়েরূম হায়বসি দাইবেটিস নারবা মীওইশিংগীদমক্তদি য়াম্না ফবা প্রোটিনগী ফংফম অমনি।

অমেরিকান দাইবেটিস এসোসিএসন (এ দি এ) না য়েরূম হায়বসি দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংগীদমক মতীক চাবা চীঞ্জাক অমনি হায়না ফোঙদোক্লি। গ্লাইসেমিক ইন্দেক্স স্কোর নেম্বা হায়বসি চারীবা মীওই অদুগী ব্লদ সুগর লেবেলদা ইফেক্ট তৌবগী চাং নেম্মী হায়বনি।

দাইবেটিস নারবা মীওইশিংনা য়েরুম চাবদগী ফংবা কান্নবশিং, খুদোংথীবা য়াবশিং অমদি করম্না চাগদগে হায়বগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

দাইবেটিসনা হকচাংদা য়াওবা এল দি এল (বেদ) অমদি ঐচ দি এল (গুদ) কোলেষ্টরোলগী খলদা অকায়বা থোকহল্লি।

দাইবেটিস নাবনা মরম ওইরগা থম্মোয়গী লায়না নাবগী খুদোংথীবা হেনগৎহল্লি। মীওই কয়ানা য়েরূম চাবনা হকচাংদা কোলেষ্টরোল লেবেল হেনগৎহনবা য়াই, মসিনা মরম ওইরগা থম্মোয়গী লায়না নাবগী খুদোংথীবা হেনগৎহনবনি হায়না থাজ নৈ।

মীওই অমনা নোংমদা কোলেষ্টরোল মিলিগ্রাম ৩০০ দগী হন্থনা চাগদবনি হায়না এ দি এনা রিকম্মেন্দ তৌরি।

য়েরূমদা কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংনা য়াওই। য়েরূম অচৌবা অমদা কোলেষ্টরোল মিলিগ্রাম ২০০ য়াওই। অদুবু রিছার্স তৌবদা চীঞ্জাক্তা য়াওবা কোলেষ্টরোলগা হকচাংগী কোলেষ্টরোল লেবেল হেনগৎপগা মরী য়াম্না লৈনদে হায়বা খঙখ্রে।

খুদোং থীরিবদি সেচুরেটেদ ফেটকী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাক চাবা অসিনি, মসিনা কোলেষ্টরোল লেবেল হেনগৎহনবা ঙম্মী। খুদম ওইনা কেক, কুকিজ, কেন্দি অমদি প্রোসেস তৌরবা অচাপোৎশিং অসি হায়রিবা চীঞ্জাক অসিগী মনুং চল্লি।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা য়েরূম চাং নাইনা চাবনা প্রিদাইবেটিস লৈবা মীওইশিং অমদি টাইপ-২ দাইবেটিস নাবা মীওইশিংগী ফাষ্টিং ব্লদ গ্লুকোজগী ফিভম ফগৎহল্লি হায়বা খঙখি। রিছার্সরশিংনা হায়খি মদুদি, নোংমগী য়েরূম অমমম চাবনা দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি।

কুমজা ২০১৫ দা চথুখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্নসু প্রিদাইবেটিস লৈবা মীওইশিং অমদি টাইপ-২ দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা য়েরূম য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চারুরবা মতুংদা মখোয়গী লিপিদ প্রোফাইলগী ফত্তবা অহোংবা লৈবা থেংনদে। য়েরূম মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক চাবা হায়বসি দাইবেটিস নাবা মীওইশিংগীদমক য়াম্না কান্নে হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।

য়েরূমদা মচিগী শরূক য়াম্না য়াওবা অদুগা কেলোরিনা নেম্না য়াওই। য়েরূম য়াওনা প্রোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাকশিং চাবনা পুক থনবা ফাওহনবা ঙম্মী। মসিনা দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা হকচাংগী অরূম্বা চাং চানা থম্বদা মতেং পাংই।

য়েরূম অসি কমপ্লিট প্রোটিননি, হায়বদি হকচাংনা পুথোকচবা ঙমদবা, চীঞ্জাকখক্তদগী ফংবা এমিনো এসিদ ৯ মক য়েরূমদা য়াওই।

য়েরূম মকু য়াওদনা ফূৎপা (পোচ) অচৌবা অমদা য়াওবা মচিওইবা পোৎলমশিংদি- প্রোটিন গ্রাম ৬.২৫; ফেট গ্রাম ৪.৭৪; কার্বোহাইড্রেট গ্রাম ০.৩৫; কেলোরি ৭২ য়াওই অদুগা দাইটরি ফাইবর অমত্তা য়াওদে।

প্রোটিনগী শরূক অয়াম্বনা য়েরূমগী অঙৌবা শরূক্তগী ফংই, অদুগা মমূৎতনা হকচাংদা কান্নবা ফেটশিং; ভিটামিন এ, দি, ঈ, কে; এন্টিওক্সিদেন্ট অসিনচিংবশিং য়াওই। ভিটামিন বি-১২ অমদি আইরন, কোপ্পর, জিঙ্ককুম্বা মিনরেলশিংসু মরাঙ কায়না য়াওই।

য়েরূমদা কোলিন হায়বা পোৎশক অমগসু য়াওই, মসি মেমোরি অমদি মুদকুম্বা হকচাংগী প্রোসেসশিংদা মথৌ তাই অমদি মসিনা মীরোল্লিঙৈদা পুক্লংদা লৈরিবা অঙাংগী ব্রেন দিভেলপমেন্টতসু য়াম্না চাউনা মতেং পাংই।

দাইবেটিস নারবা মীওইশিংনা চানবগীদমক থোং থাকপগী খ্বাইদগী হকচাং ফবা মওংশিং:

হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা য়েরূম থোং থাকপগী মওংশিংদি মকু য়াওরগা ফূৎপা, মকু য়াওদনা ফূৎপা (পোচ) নৎত্রগনা ফেটকী চাং নেম্বা শঙ্গোমদা স্ক্রেম্বল তৌবা (গ্রো গ্রো ওৎলগা ঙৌবা) অসিনচিংবশিংনি।

য়েরূম চাবা মতমদা সেচুরেটেদ ফেটকী চাং ৱাংবা চীঞ্জাকশিংগা চামীন্নবগী মহুত্তা মনা মশিং শোইরগা নৎত্রগনা সলাদকা চামীন্নবা ফৈ।

থাউদা য়েরূম ঙৌগে হায়রগনা চুজাক্কী থাউ, হঙ্গাম থাউ নৎত্রগনা ওলিব ওইলগুম্বা থাউ ওইনা শীজিন্নগদবনি।

দোক্তরদা চাং নাইনা চেক চৎপনা দাইবেটিস য়াওনা অতৈ লায়নাশিংগী খুদোংথীবদগী কনবা ঙমগনি। দাইবেটিস নারবদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবসু মথৌ তাই।

# কাথমন্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিল্ম সাউথ এসিয়াদা মণিপুরী ফিল্ম *অচৌবী ইন লভ* অমদি *ব্লদি ফনেক* উৎকদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : কাথমন্দুদা থা অসিগী ১৪ দগী চথুগদৌরিবা ফিল্ম সাউথ এসিয়াগী ১২ শুবা ইদিসনদা মণিপুরদগী ডা. মীনা লোংজমগী ফিল্ম অচৌবী ইন লভ অমদি সোনিয়া নেপ্রমগী ব্লদি ফনেক উৎকদৌরি।

সাউথ এসিয়া রিজনগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী য়াম্না অচৌবা ফেস অমা ওইরিবা ফিল্ম সাউথ এসিয়া অসিদা মণিপুরদগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিং অসি উৎনবগীদমক খল্লকখিবনি। ডা. মীনা লোংজমগী অচৌবী ইন লভ অসি থা অসিগী ১৬ তা উৎকনি। সোনিয়া নেপ্রমগী ব্লদি ফনেক হায়না মিংথোনবা অসিনা থা অসিগী ১৭ উৎকনি।

সাউথ এসিয়া রিজনদগী মশক থোকবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম কয়া খনগৎলবা মতুংদা ফিল্ম সাউথ এসিয়াদা উৎনবগীদমক শেম-শারি। ওর্গনাইজরশিংগী মতুংইন্না ১২ শুবা ইদিসন, ফিল্ম সাউথ এসিয়া অসিগীদমক ফিল্ম ২৫০০ রোম সবমিসন তৌরকখি। ফিল্মশিং অসিগী মনুংদা ৬৩ খনগৎখি। নুমীৎ ৪ নি চুপ্পা কাথমন্দুদা চথুগদবা ফিল্ম সাউথ এসিয়া ফেস অসিদা মণিপুরদগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অনী অসি উৎনবা খনখ্রে।

কাথমন্দুগী য়ালাময়া কেন্দ্রদা ফিল্মশিং অসি উৎকনি। পটন, ললিতপুরনচিংবা মফম কয়াগী হোল অহুমদসু ফিল্মশিং উৎনবা শেম-শারি। হায়রিবা মফমশিং অসি ত্রিবুবান ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী মিনট ২০ লোমগী লম্বী চৎলগা লৈবা মফমশিংনি। হৌদোকপা নুমিৎ থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক পুং ১০ দা ফিল্ম সাউথ এসিয়া ফেস অসিদা মহৈরোয়শিংগী সেক্সন পাঙথোক্কনি। নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ৫ দা ফিল্ম স্ক্রিনিংসু তৌগনি। ফিল্ম সাউথ এসিয়া অসিদা খনগৎলবা ফিল্মশিং উৎকদবনি। বেষ্ট ফিল্ম এৱার্দ অসি রাম বহাদুর ত্রোফি ফোর বেষ্ট ফিল্ম হায়না এৱার্দ পীগনি। মসিদা কেস প্রাইজ য়ু এস দোল্লর ২০০০ অমদি সাইটেসন য়াওরি। অনীশুবা বেষ্ট ফিল্ম এৱার্দতা শেল ওইনা য়ু এস দি ১০০০ অমদি সাইটেসন য়াওরি। য়ুনিসেফ নেপাল এৱার্দ হায়না সোসল অমদি অঙাংশিংগী ওইবা ইস্যুদা পুথোকপা ফিল্মশিংদগী খনগৎলবা ফিল্মশিংদা পীবা এৱার্দসু লৈরি। এৱার্দ অসিদা য়ু এস দি ১০০০ য়াওরি। পাষ্ট জ্যুরিশিংগী মনুংদা মীয়াম্না শকখঙনরবা সাউথ এসিয়ন ফিল্মমেকর শ্যাম বেনেগল, গৌতম ঘোস, তরিক মসুদ, সায়ীদ মির্জা অমদি শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট মার্ক তুল্লিনচিংবা কয়া অমা য়াওরি। সাউথ এসিয়ন দোক্যুমেন্টরিশিং প্রমোত তৌনবা কেম্পেনগা লোয়ননা চঙশিল্লকপনি। কাথমন্দুদা ফিল্ম সাউথ এসিয়া ফেস অসিগীদমক শেম-শাখ্রে।

কাথমন্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিল্ম সাউথ এসিয়া ফেষ্টিভেলদা উৎকদৌরিবা মণিপুরদগী ডা. মীনা লোংজমগী অচৌবী ইন লভ হায়রিবা ফিল্ম অসি অচৌবী অমদি মণিপুরী পোনিগী মতাংদা লাকপা ৱারীনি। ফিল্ম অসিদা হকচাং ঙল্লক্তবগী অৱাবা, শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়াগী মরক্তা মাঙশিল্লক্লিবা মণিপুরী পোনিবু কন্নবা হোৎনবদা থেংনবা কয়া অমা ফিল্ম অসিদা উৎলি। মমাঙদা ডা. মীনা লোংজম অসি মহাক্কী ফিল্ম ওটোরিক্সো দ্রাইভরদা নেসনল এৱার্দ ফোর দোক্যুমেন্টরি ফংবা লৈখ্রে। মহাক এয়রমীন মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটরনি।

অমরোমদা, সোনিয়া নেপ্রমগী ব্লদি ফনেক হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসি সাউথ কোরিয়াদা গ্লোবেল প্রেমিয়র স্ক্রিন তৌখ্রে। গ্রীস, ফ্রান্স, সর্বিয়া, বাংলাদেশনচিংবা মফম কয়াদসু য়ৌরুরে। মণিপুরী নুপীশিংনা মতৌ করম্না ফনেক অসি শীজি ন্নৈ অমদি নুপীশিংনা থেংনবা কয়া অদুসু উৎলিবনি। সোনিয়া নেপ্রমনা হৌজিক য়েলহৌমী পিকচর প্রদক্সন হাউসসু চলাইরি। ব্লদি ফনেক হায়না মিংথোনবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসিদা মণিপুরী নুপীশিংনা শীজিন্নরিবা ফনেক্কী মতাংদা নীংথিনা উৎলি। থা অসিগী ১৪ দগী কাথমন্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিল্ম সাউথ এসিয়া ফেস অসিদা মণিপুরী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অনী অসি উৎনবগীদমক শেম-শাখ্রে। সাউথ এসিয়াগী লৈবাক কয়াদগী ফিল্ম কয়া উৎকদৌরি হায়রি।

# মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লৈমিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : দি এম কোলেজ এলমনাই এসোসিএসন্না মণিপুরদা মীয়াম পুন্না ঈং-চিক্না লৈমিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এস জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরেলা অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পিছ টোক চথরিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিদা শোকহনবা য়ারোই। ষ্টেট অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা অফবা মণিপুর অমগীদমক পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা ক্রিটিসাইজ তৌনবগী মহুৎতা পুন্না খন্ন-নৈনদুনা তংদু-লৈতাবা অমদি ঈং-তপ্পা লোয়ননা অফবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা চঙই। ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা ফীভম কয়া অসিদগী অফবা মায়কৈদা লাক্লবা লুচিংবশিংনসু হোৎনগদবনি। কোকোমিনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা দেম্মক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংদা দি এম কোলেজ এলমনাই এসোসিএসন্না সপোর্ট তৌবা হায়নসু লেপ্পরে। মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি, ইথনিক আইদেন্টিটি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্ট্রকচর ঙাক্লবা হোৎনরক্লিবা কয়া অসিদা সপোর্ট তৌই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মেথ, সাইন্স কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট সুক কম্মিটিনা শীন্দুনা অহানবা ওইনা ক্লাস টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা মেথ, সাইন্স, সোসল সাইন্সকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্পিটিসন অমা শীল্লগনি হায়না সুক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কম্পিটসন অসিদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোয়শিংনা ফোর্ম লৌবা য়াগনি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট সুক ওফিস অমদি ও কে কম্প্যুটর ৱার্ক ককচিংদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম দিসেম্বর ২২ নি। কম্পিটিসননা দিসেম্বর ২৯ দা পাঙথোক্লগনি হায়নসু মখা তারি।

# তাওবুংখোক ভিলেজ ৱাটর সেনিটেসন কম্মিটিনা লৈকায় অমদি ক্লবকা তানদুনা পুখ্রি তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : তাওবুংখোক ভিলেজ ৱাটর সেনিটেসন কম্মিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৈকায় অমদি ক্লব তানদুনা ফিট ১০০০ শাংবা ফিট ২৫০ পাকপা পুখ্রি অমা এক্সকাভেটরনচিংবা মেছিন কয়া শীজিন্নদুনা ফিট ২৫ লুথনা তৌথদুনা শেমগৎপা অহানবা তাঙ্কক্কী লোইশিনখ্রে হায়না হরাওবা কম্মিটি/ভিলেজ ৱাটর সেনিটেসন কম্মিটি/প্রোগ্রেসিভ ফার্মর এসোসিএসন তাওবুংখোম অৱাং ময়াই লৈকায় ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট এন জি নিলাকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নোংগী ঈশিং য়োকশিল্লগা লৈকায় অসিদা য়ুমথোঙগী পাইপ শমদুনা অফবা থক্লবা ঈশিং পীরিবা পুখ্রি অসি হন্দক্কী কুমগী নোং চাং খরা নেমখিবনা মরম ওইরগা পুখ্রি অসি ঈশিং কংখি। মসিনা মরম ওইরগা ঈশিং থাবা ঙমদবগী ফীভম লৈখি। কম্মিটি অমদি লৈকায় লোয়ননা ক্লব তানদুনা ফিট ১০০০ শাংবা, ফিট ২৫০ পাকপা পুখ্রি অসি হান্না লৈরিবা চাং অসিদগী ফিট ২৫ হেন্না লুথনা তৌথবনি। মসিদা এক্সকাভেটর শীজিন্নখি। অহানবা হৌরকপা মতমদসু অমুক তৌবা লৈখ্রে। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা চহী খরগী মমাঙদা অমুক তৌখি। বজেট খরা হাপ্তুনা অনীরকশুবা ওইনা তৌখ্রবসু পুখ্রি অসি অকোয়বগী লৌবুক্কী লেভেলদা লৈরম্বনা ঈশিংগী চাং নেমখি। কুমশিগী নোংজুগী চাংসু য়াম্না লিকখিবা মরম্না ঈশিং কোন্নদবগী ফীভম লাকখি। ফীভম অসি য়েংলগা ফিট ২০ হেন্না লুথনা তৌথবনি।

এ সী অসিগী এম এল এনা জে সী বি অমা পাংলকখি। ৱার্দ মেম্বরশিং অমদি জোব কার্দ হোল্ডরশিংনসু নোংমা মতেং পাংখি। পুখ্রি অসিগী অকোয়বদা লম খোপচিল্লিবশিংনসু মেপতা লৈরিবা মফম চানা হন্দাকপীয়ু। হৌজিক ফাওবদা চঙখিবা শেনফম অসি লুপা ৮০,৬২,৯৬৫ ওইরে। পুন্নমক অসি পুখ্রি খরা য়োন্দুনা শীজিন্নরি। টিপ্পর গাড়ী মশিং ১৫৯৯ না অনকপা চেক্কোনশিংদা ত্রিপ অমদা লুপা ২০০০ গী চাংদা থাখি। অপূনবা শেনফম লুপা ৩১,৯৮,০০০ লাকখি। এক্সকাভেটর টিপ্পরশিংগী পীগদবা ৱাৎলিবা শেনফম লুপা ৪৮,৬৪,৯৬৫ লৈরি। শেনফমশিং অসি শেংদোক্লবা লৈবাক অরৈবা য়োন্নবা হোৎনবদা লুপা ৭০০০০০ গী ময়াদা চঙখিগদৌরি। অচৌবা শেনফম খরদি শোয়দনা পুথগদৌরে। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা শেনফম খরদং মতেং পাংবীরক্লবদি অৱাবা কোক্লগনি। কম্মিটি অসিনা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীয়ু।

তাওবুংখোককী য়ুমথোঙ কয়াদা পাইপ শমদুনা অফবা থক্লবা ঈশিং পীরিবা পুখ্রি অসি নীংথিনা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। পুখ্রি অসি লুনা তৌথদুনা ঈশিং চাং ৱাংনা লৈহনবগা লোয়ননা পুখ্রি অসিদগী ঈশিং চিংখৎলগা শীজিন্নগদৌরিবনি। য়াম্না মরুওইবা পুখ্রি অমা ওইবনা তাওবুংখোক ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটিনা পুখ্রি অসি লৈকায়গী মীয়াম অমদি ক্লবকা তানদুনা তৌবনি। পুখ্রি অসি তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবশিংবুসু কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হৌজিক শেল চঙগদবা কয়া অমসু লৈরিবা মরম্না লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং অথুবদা চঙবীদুনা মতেং পাংবীয়ু। মীয়ামগী ঈশিং পীনবা হোৎনবদা কম্মিটি অসিনা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি হায়নসু কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্টগী চেরোলদুনা মখা তারি।


RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

**Manpower Requirements**

**Date of interview 16th November 2019at 10:30am**

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -4:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| RaDiant Group (Corporate) | Assistant General Manager (AGM) | 2-4 yrs.in mgt. &administration | 1 | MHM or MBA | 15K to 25K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Operation Head (OH) | 2-3 yrs. | 1 | Graduate and above preferably MBA | 20K to 30K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) | 1-2 yrs. | 1 | Graduate and above preferably MBA | 10K to 15K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Relationship Officer (RO) | 0-2 yrs. | 4 | 10+2 and above | 5K to 8K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Cashier | 1-2 yrs. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 5K to 8K |
| | | | | | |
| RaDiant Fitness | Manager | 1-2 yrs. | 1 | Graduate and above preferably MBA | 10K to 15K |
| RaDiant Fitness | Spa Therapist | 2-4 yrs. | 2 | N/A (preferably male candidate) | 8K to 15K |
| | | | | | |
| RaDiant Creative Agency | Manager | 1-3yrs. | 1 | Graduate and above preferably MBA | 10K to 15K |
| RaDiant Creative Agency | Creative Designer | 1-3yrs. | 1 | Multimedia Certified | Negotiable |
| RaDiant Creative Agency | Photographer/ Editor | 1-3yrs. | 1 | Photography Certified | Negotiable |
| | | | | | |
| RaDiant E-Ride (Thoubal/ Sekmai) | Sales Executive | 1-2 yrs. In sales | 4 | 10+2 and above | 5K to 8K |
| RaDiant E-Ride (Guwahati) | Sales Head | 2-4 yrs. In automobile | 1 | Graduate and above | Negotiable |
| RaDiant E-Ride (Guwahati) | Accountant | 2-4 yrs. | 1 | Graduate and above preferably B.Com/ M.Com | Negotiable |
| | | | | | |
| Hefo Organo Valley Project | Farm Supervisor | 2-3 Yrs. | 1 | Experience in agro farming | Negotiable |

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

HL-B/5749/17oct-16nov.


## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।১১।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা,
হিয়াঙ্গৈগী ১৬নি পানবা।

**মেষ :** খরা ৱারসু শেল ফংগনি, মীয়ামগা মরী ফগনি, ইমুং-মনুং নুংশিননা লৈগনি অমদি নুংঙাইথোকপা লৈগনি। খন্থদ্রদি নরলদা তাইনবা য়াই, অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** হরাওবা-নুংঙাইবা, শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাকচবা, লেংদবা লন চাওখৎপা, ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা য়েক্লবা মাঙখিবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন :** থবক পাংগনি, লৌশিং চাওখৎকনি অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নবা ফংগনি। নথক থোংবনা য়েংশিনবা লৈ অদুনা য়েৎনগদবা মরমদগী লাপ্পা লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** নীংজবা থুংগনি, মীচং হেনগৎপা অমদি হকচাং খিংবনা থৌয়াম পাংবা কাইদবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং অফবা ফংগনি। লম চৎপদি কান্নবা ৱাৎকনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নীংবা মপা চাগনি, মীনা থাগৎনফম ওইগনি, অরং-অরাক লৌবা য়াগনি অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা নত্তনা নথক থোংবগী মতেং ফংগনি। মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** লাইবক ফবা ৱাৎলি। হান্নগুম থৌ পাংউ-অনৌবা পোরম কাংগনু। চিন শোইরগা লন মাঙবা অমদি য়েক্লবনা কাইহন্নবা শিনবা লৈগনি। থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - অয়েৎপা চেনগনি-খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** লৌশিং থোকপা খরা ৱাৎপগী পূক্লিং ৱাবা খরা লৈগনি-অখঙ অহৈগী ৱা তাও। মীতোপ থাজরদি তৌহৈদবা থবক্তা পূক্লিং চংগনি। মরুপ লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। অদুনা খজিক্তং খন্থরদি মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা থৌ পাংহৌবা তুংদা কান্নগনি। অদুবু নাপল তৌগনু, হৃদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** নীংবা থুংগনি, ইকায়খুম্নবা ফংগনি, অরং-অরাক লেপশিনবা য়াগনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা খুৎচাও থাবা য়াগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মকর :** মতম মাঙবা, অপংবনা মাঙওইনদনবা অমদি য়েৎনবনা কাইনদনবা নতোমতা থৌ পাংগনু অমদি অহৈ অশিং শাগনু। খূৎ চাওগনু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কুম্বা :** লন য়াম্না ফংনিংঙাই লৈ, অচুম্বা অমদি অফবা লৌশিং শীজিন্নগদবা নুমিৎনি। লাই-গুরুনা চাল্লি অমদি মীয়াম পুনবা নুংঙাইগনি। হন্থবদি লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** ৱাখল খরা লাংগনি, মীয়ামগী অপান্বা পাংবা য়াগনি অমদি লাইবক ফবসু লোয়নগনি। শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাক্কনি। য়েক্লবনদি শেন্নে-মরম চাদনা য়েৎনরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।